# সেন্সস ২০২১ লাকপসিদা

- নম্বম মনিকান্ত -

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরুবনা ঐখোয়গী মণিপুরসু সেন্সস ২০২১/মীকোক থিবগী থবক কনখৎলক্লি। মসি চহী ১০/১০গী ওইনা পায়খৎপনি। সেন্সস অসিদা ষ্টেট/লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিং খঙদোকই, ফুরুপ (জেনরেল, সেদ্যুল কাষ্ট, ত্রাইব, মাইনোরিটি) লাইনীং অমসুং ইমুং অমগী শেল-থুমগী ফীভম উৎলি। মীকোক থিবগী থবক অসিগী মতেংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মতম-মতমগী ওইনা হীরম কয়াদা প্লান্নিং তৌই। মরম অসিনা, লৈবাক অসিগী হৌজিক পাঙথোক্লিবা সেন্সস অসি ইশাগী অমসুং ফুরুপকী য়েংদুনা কাঙলোন চুম্লা রিপোর্ট তৌবা মথৌ তাই।

খুদম :- এ এ ৱাই/বি পি এলগী রেসন কার্দ শাবদা, হকশেল কার্দ শাবা, লায়রবা ইমুংশিংনা লৈঙাক্কী মতেং লৌরগা যূম শানীংলকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। অদুনা, সেন্সস হায়বসি লাইথোকপা য়াদ্রি।

ইন্দিয়াগী ওইনা হিন্দু লাইনীং নত্তনা (১) ইস্লাম (২) খৃষ্টিয়নিতি (৩) শিখিজম (৪) বুদ্ধিজম (৫) জোরোএষ্ট্রিএনিজম অমসুং (৬) জৈনিজম হায়রিবা লাইনীং তরুক অসি নেসনল কম্মিসন ওফ মাইনোরিটি এক্ট ১৯৯২না শকখঙই।

ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা চীংমী অয়াম্বা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল নম্বর ৩৪২না সেদ্যুল ত্রাইব ওইনা শকখঙবনা সেন্সস অসিদা ইনীংবা লাইনীং ইবদা ময়েক মাঙদে। লোয়ননা, মখোয়না পামজবা/নীংজবা খৃষ্টিয়নিটিবু লাইনীংগী কলমদা ইবা তারগনা মাইনোরিটি কম্যুনিতি/ফুরুপ অমনি হায়না কন্সটিট্যুসন্না অমুকসু প্রোটেক্সন ফংলি।

অদুম ওইনমক, সেদ্যুল কাষ্টশিংদি লাইনীংগী কলমদা হিন্দু নৎত্রগা বুদ্ধিষ্ট নৎত্রগা শিখ খক্তা ইনবগী খুদোংচাবা পী। মুসলিম ইচিন-ইনাওশিংসু লাইনীংগী কলমদা ইস্লাম হায়না ইবনা মাইনোরিটি কম্যুনিতি অমনি হায়না লৌই। অদুগা নেপালগী ইচিন ইনাও অয়াম্বদি লাইনীংগী কলমদা হিন্দু ই।

| POPULATION OF MANIPUR STATE BY RELIGIOUS COMMUNITIES | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Census | Hindu | Muslim | Christian | Sikh | Buddhist | Jain | Other | Religion not stated | Total |
| 2001 | 9,96,984 | 1,90,939 | 7,37,578 | 1653 | 1926 | 1461 | 2,35,280 | 1057 | 21,66788 |
| 2011 | 11,81,876 | 2,39,839 | 11,79,043 | 1527 | 7084 | 1692 | 2,33,767 | 10,969 | 28,55,794 |

**মাইনোরিটি কন্সেন্ট্রেটেদ দিষ্ট্রিক্ট :**

মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক্লা সেন্সস রিপোর্টতা যূম্ফম ওইরগা মণিপুরগী চাংগী দিষ্ট্রিক্ট মঙা অসি খৃষ্টিয়নশিংনা নম্লা খুন্দা লৈতাই অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা মুসলিমশিংনা য়াম্লা খুন্দা লৈতাই হায়দুনা মাইনোরিটি কন্সেন্ট্রেটেদ দিষ্ট্রিক্টনি হায়না মণিপুর গেজেটতা লাউথোকখি।

মখোয়শিং অদুদি :- (১) উখ্রুল - ৯৫.১৫% (২) সেনাপতি - ৭৮.৪১% (৩) তমেংলোং ৯৪.৮৮% (৪) চুড়াচান্দপুর - ৯৩.৫৪% (৫) চান্দেল - ৯২.২৩% (৬) থৌবাল - ২৩.৮৫%নি।

অদুবু মতম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরদি জেনরেল দিষ্ট্রিক্টনি হায়না লৌনখি। লাইনীংগী কলমদা ইশানা হায়বা/হায়দবা হিন্দু হায়না রিপোর্ট তৌই। মসিগী ৱাহন্থোক্তি ঐখোয় অসি আর্য্যনি, চাওখৎপা অমসুং অৱাংবা থাক্কী মীওইনি হায়জবনি। মরম অসিনা, লাইরেন্না লফু কানবা হোৎনবা হায়বা ৱাহৈদুদা তারকই।

হেন্না ফনবনি হায়দুনা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা লাইনীং য়োকখৎকে হায়দুনা লাইনীংগী কলমদা সনামহী/পাখংবা লাইনীং ইরগনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কাঙলোন মতুংইন্না ‘অদরস’ হায়না রেকোর্দ তৌই।

অদরস হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বসি মীয়াম্না ঙসি ফাওবা খন্থবা থেংনদ্রি। হৌজিক-হৌজিক লাইনীংগী মতাংদা ঐখোয়না থাংলিবা খোঙথাং অসি কদাই ফাওবা ইকোনোমিক, সাইন্টিফিক অমসুং য়ুনিভর্সল ওই নৎত্রগা ওইদবরা হায়বদু হঙ্গৎনা য়েংবা য়াই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী জুন ২৩দা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী প্রসিদেন্টদা সনামহী/পাখংবা লাইনীং চৎচবা মীওইশিং অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মাইনোরিটি কম্মিসন্না শকখঙবীনবা অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মখাদা প্রোটেক্সন পীবিনবা মীওই মরিনা অইবা চেরোল অমা পীশিঞ্জখি। মখোয় মরি অদুদি :- (১) মুতুম গৌরহরি, এদভোকেট, হৈঙাং (২) এ কে সৈথজিৎ, এসোসিএট প্রোফেসর, শিংজমৈ (৩) সাপম ভৈগ্যা, রিটায়র্দ আর্কিওলোজিষ্ট, তেরা অমসুং (৪) ইশামকনি। হায়রিবা ৱাফম অদু হৌজিক করি করম তৌখ্রবগে হায়বদুদি ৱাহং ওইনা লৈরি। ●

# অমাইবীগী হৌরক ৱারী

- হাওবিজম বিদ্যানন্দা -

খুন্নাই অসিগী পুন্সিরোলদা মপূং ফাবা শক্তম অমা লেপচদুনা লাইশিংগী মতমদগী ঙসি ফাওবা লৈবাক্কী মীয়াম্না থাজনা লাকচরিবা ‘উমংলাই হরাউবা’ হায়বা লাইথৌ অসিদা লাইরমলেনগী থবকশিংবু মমুৎ তানা খঙহন্নবগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অমাইবী হায়বা লাইথৌরোই অসি কনানো অমদি করম্না হৌরকই হায়বা নৈনবগী তঙাইফদবা য়াম্না লৈ।

মৈত্রবাক্কী য়েক-সলাই তরেৎনা শাবা ফুরুপ অসিগী পুন্সিরোলদা ‘অমাইবী’ থোইদোক্লা মরু ওইবা মীশকনি। অমাইবী হায়বা মীশক অসি হৌরকপদগী হৌনা মহাক্কী মথৌদি শেমগৎ-শাগৎপনি। তেংবানববু শেম্বীবা মপুগী খূৎশেমদগী থোকখিবা তাইবঙপান অসিগী য়াইফনবা শীনবদা মরু ওইবা থৌদাং অমসু লৌরিবনি। অমাইবী হায়বসি ইমা লৈমরেলগী লাংওন্নি হায়নসু থেংনৈ। অসুম্না অমাইবীবু লৈমরেল লাংওন চংখোনবী খাবী মংদাবী হায়নসু খঙনৈ হায়না ওজাশিংনা তাকপীরকই।

তাইবঙ মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইলক্তগী অথোইবী, তাইবঙলক্তগী অহেনবী চীংঙু খোইয়ুমগী শিন্থা মঙম পাংলিবী নমু তাইবঙশিংনা খঙদবা, উদবা খুদিংমকপু খঙ উদুনা তরং মপাউ পীরিবী মীয়াম্না ইমা অমাইবী হায়না খঙনরিবনি। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা য়েক-৭, সলাই -৯গী মীপূম খুদিংমক্লা মাগী-মাগী লৈকায়-খুঙ্গং অদুবু কোনবা নৎত্রগা য়েক সলাইগী ওইবা উমংলাইবু ঈরাৎ থৌনিদুনা উমংলাই হরাউবা হায়না পাঙথোক্নরি। পাঙথোক্লিবা উমংলাই হরাউবা হায়বা লাইথৌ অসিদা অমাইবী অসি য়াওদবা য়াদে হায়দুনা য়াম্না ৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নরি। মালেমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্লা তৌবা ঙমদবা মচৎ খরা অমাইবীশিংদা য়াওজরি। য়াওরিবা লাইগী মঙাল অসিননি মীয়াম্না **ইমা অমাইবী** হায়নরিবসি। মৈতৈ ফুরুপকী উমংলাই হরাউবা হায়না মালেম শিনবা থুংনা খঙনরিবা ফুরুপ অসিগী হৌরক ৱারী, নাৎকী মশক তাক্লিবা লাইথৌ অসিদা ইমা অমাইবীনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মালেম শেম্বদগী হৌদুনা তাইবঙ মী ওইরকপা, মীওইবা অমনা পোকপদগী হৌরগা শিবা ফাওবগী মনুংদা চঙলিবা খুদিংমকপু অমাইবীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। উমংলাই হরাউবগী লাইগী থৌরমদা জগোয়-ঈশৈ, খূৎথেক-শাথেক্লা, খোঙথাংনা লৈশেমলোনবু উৎতুনা মীয়ামদা খঙহন উহল্লি। অদুঙৈ চীংঙু-খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা লৈশেমঙৈ মতমদা তৌরম্বা থৌওংশিং অদু উৎলি। উমংলাই হরাউবা হায়বা মচৎ অসি ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মচৎশিং অদু ঐখোয়না মতৌ তমজদুনা চীংঙু লাইশিংগী মমাঙদা মখোয়না পামজবা মখৈশিংদু ফংনবা অমাইবীশিংনা লাইগী মতৌ তমজবনি। মরম অসি লৈবনা তাইবঙ মীনা মখৈ ফংলগা শাওই, চীংঙু লাইশিংনা মখৈ ফংলগা হরাউই হায়না ইপা ইপুশিংনা থম্বীরল্লিবনি।

**অমাইবীগী হৌরক ৱারী** - অমাইবী হায়বসি তাইবঙপাল অসিদা মতৌ করম্না লাকখিবগে হায়বদু অখঙ-অহৈশিংগী নাক্তা চৎতুনা হংজরুবা অমদি লাইরিক কয়া নৈনজরুবদা অমাইবী হৌরকপগী ৱারী অসি অনী থোক্লা থেংনৈ। মদুদি অহানবদা নোংথাংলৈমনা অমাইবী ওইরকপগী ৱারী, অনীশুবদা অশিবনা (সনামহিনা) অমাইবী ওইরকপগী ৱারী অসিনি। ৱারী অনী অসি মতৌ করম্না ওইরকখিবগে হায়বদু মখাদা মচা খায়না থমজরি।

***ক) নোংথাংলৈমনা ওইবা মাইবী*** - তেংবানবগী মপুনা তাইবঙপানবা অসি শেম্বদা ইহান হান্না লাইশিংবু পুথোকখি। মালেম শেন্নকপা মতম ফাওবগী মনুংদা লাইশিংতনা থবক কয়ামরুম তৌরকখি। লাইগী মতম অসিদা থোইদোক্লা অমাইবীগী ওইবা মশক অমা খায়দোক্তুনা লৈরমদে। অদুম ওইনমক মালেম শেম্বা মতমদা সনামহীনা ৱাবা মতৌদু উবদা তেংবানবগী মপুনা থাগৎলুবা অদুনা ময়াম্বনা মালেম শেল্লিবা অসিগীদমক ৱানা তেংবাঙজরিবা কোঞ্জিন তিংথোকপনা (পাখংবনা) শাউদুনা মালেম শেম্বা থুগায়রক্লুবদা মাইবীগী মশকপু ইহান হান্না ওইখিবা ‘নোংথাংলৈমা’ পুথোকখি। লাইয়িংথৌ অশিবনা (সনামহীনা) মালেম শেম্ববু কায়দনবা নোংথাংলৈমনা কোঞ্জিন তিংথোকপবু (পাখংববু) ফাজিন্দুনা থম্লগা লৈশেম্বা ঙমহনখি। অসুম্না মালেম শেমগৎ শাগৎপদা মপূং ওইরিবা অশিবা অমসুং নোংথাংলৈমা অনীমক অমাইবীগী মশক্তা থোকখি। অসুম্না তেংবানবগী মপুনা তাইবঙপানববু নীংথিনা ফজনা শেম শাদুনা পুথোকই হায়বগীদমক য়োইরেল (ফজবা, নীংথিবা) হায়না মাইবীগী মিঙ্গৌ অসি পুথোকখি। অমাইবীগী লোইশঙ অসিবু য়োইরেল লোইশঙ হায়না কৌনখি।

হৌজিক ফাওবদা মাইবীগী মরু ওইবা মশক খঙনবগীদমক কাঙলোন অমা ওইনা নোংথাংলৈমনা শঙ অহুম পুথোকখি। মদুদি **ফুরা, লংমাই, শঙলেন**। মতৌ করম্না পুথোকখি হায়বগী মতাংদা ‘মাইবীগী মশিন’ নৎত্রগা ‘মশিন’ কৌবা লাইরিক্তা অসুম্না পল্লি।

১) ফুরা : অসুম্না নোংথাংলৈমনা কুরুগী থৌরাং ময়াম অসিবু করম্না শিন্থা চৎকদগে হংগে হায়দুনা কুরুগী লৈফমবু কদাইদা লৈরিবনো নোংহুমশঙ মনুংদা চঙদুনা কুরুবু থিরুই। কুরুদি মফম অদুদা লৈরমদরে। অসুম্না কুরু শিদবগী নুংফুরা মনুংদা চঙদুনা থিরুই হায়বগী ‘ফুরা’ হায়বা মাইবীগী শঙ অসি পুথোকখি।

২) লংমাই : নোংথাংলৈমনা কুরুগী থৌরম পরেংবু করম্না পাংগদবনো হংগে হায়না কুরুগী নুংফুরা মনুংদা চঙদুনা য়েংলুবদা লৈরমদ্রবদগী মালেমদগী নোংদোনথক্তা লংখৎলক্তুনা কুরুগী মফম্বু কদাইদনো হায়না থিরুই হায়বগীদমক ‘লংমাই’ হায়বা মাইবী শঙ অসি পুথোকখি।

৩) শঙলেন : নোংথাংলৈমনা কুরু শিদবা অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী অনীগী পাউতাক য়াওদনদি থৌরম পাংবা ঙম্মরোই হায়না খন্দুনা ৱাখল ৱানা লৈরবদা কুরুগী লৈমরেলগী মশকপু শঙলুগে হায়না নিংলদনা ‘শঙলেন’ হায়বা শঙ অসি পুথোকখি।

***খ) সনামহীনা ওইবা মাইবী*** - লৈশেমলোনগী মতমদা নোংথাংলৈমনা মাইবীগী মথৌ পুদুনা শেমগৎ শাগৎপগী শিন্থা কয়া তৌদুনা অমদি মাইবীগী শঙ পুথোক্তুনা লাইরোলনচিংবা মাইবীগী কয়াৎ অমা শেম্বা লোইরবদা কুরু শিদবনা তাইবঙপানগী কুম্মৈ হৌদুনা মালেমদা মাইবীগী মথৌ পীরগে খনখি। তেংবানবগী মপু কুরু শিদবনা মচানুপা য়াইমবা অশিবনা মালেম শেম্বা লোইরবদা মালেম অসিদা লৈনবা তাইবঙ মী শারো হায়না তাকপীদুনা শাখি। অসুম্না তাইবঙ মী অসিনা মালেমদা পাল্লক্লবা মতমদা কুরুনা তাইবঙগী পুন্সি পীদ্রিবা মতম ওইবনা তাইবঙ মীশিং অসি অনাবা হায়বা অসি লৈরক্তবদগী হায়নীংঙাই লৈতনা য়ামশিল্লকখি। মসিদা তাইবঙ মীনা শিবা নাইনবা হোৎনরকপদা সনামহীনা মাইবী ওইখিবগী ৱারী **‘তাইবঙ শিবা তন্বীবা’** হায়বা লাইরিক্তা ময়েক শেংনা য়াওরি।

নোংমা ইমা লৈমরেলনা কুরু শিদবদা হায়খি, ইয়ু শিদবা ইবুংঙো ননাই ঐদি নমু তাইবঙ মী অসিনা য়াম্মনখিদুনা মালেম অসিবু পুবা ঙমদরে। ননাইবু করম্না অৱাবা খাঙজৌগে, মপুনা নোংদম্বীয়ু হায়না হংগৎচরবদা কুরু শিদবনা হায়খি, নঙগী অৱাবা কোক্লবা শিল্লগে হায়না তাকপীদুনা মচা অহুমবু (অতিয়া শিদবা, সনামহী, পাখংবা) কৌদুনা তাকপীখি। পারি ইবুংঙো অতিয়া শিদবা নঙনা তাইবঙ পানবা অসিবু ৱায়েন্দুনা মরম লমলেন মদাইমা খারম পাংবা মায়কৈদা খম্নুং লৈবাক্তা তাইবঙপানবনা মানা-মানা তৌরকপা লমচৎকী মতুংইন্না অচুম অরান ৱায়েন্দুনা নমিংবু শৱা কংলৈ পুংফবা, লৈনুং থোংঙরেল কৌবা শাইওল্লুরো। অদুগা তাইবঙপানবু নহা অহল খায়না তাইবঙ মরু লোক্তনা অপোক-অশি খায়রুরো হায়না মচা অহল অতিয়া শিদবদা তাকপীখি।

মচা য়াইমবা সনামহীবুনা ‘পারি নঙদি মোম্নু শালোল ওইনা খোইয়ুমগী পাউবু তাইবঙদা চেন্দুনা খঙহল্লুরো। নমিংবু শরিক চোমচাউ শুবী কৌনা শাইওন্দুনা খোইয়ুম নথৌ তৌরুরো’। অসুম্না তাইবঙদা মাইবীগী মশক ওইনা খোইয়ুম লাইপাউ চেন্দুনা তাইবঙপান্দা মথৌ তৌহন্নবগীদমক মাইবী ওইনা থাবীরক্লে। অসুম্না মশক ওইনা লাইগী অরোনবা পাউবু তাইবঙপান্দা খঙহন্দুনা লাইপাউ চেনখি। অদুনা মাইবী হায়বা অসি লাইপাউ চেন্দুনা তাহনবগী মথৌ তৌরিবা অসিগী নুংগী ওইবা মশক্তি সনামহীনা ওইবা মাইবীনি। অদুগা নোংথাংলৈমনা ওইবা মাইবীনা জগোয় ঈশৈ তৌদুনা পাখংবগী পূক্লিং ফাখিবা অদুগী মতৌ অদুনি। হায়রিবা মাইবী মখল অনী অসিগী মথৌ অসি উমংলাই হরাওবদা পুন্না য়াওরিবনি। হায়বদি লাইপাউ চেনবদা শরিক পায়রিবা অসিনা সনামহীগী শায়োন্নি। অদুগা লাইবৌদা থোক্লিবা মাইবীনা নোংথাংলৈমনা ওইবা মতৌনি।

অদুগা মচা অতোনবা কোঞ্জিন তিংথোকপদনা তাইবঙগী মথৌ তৌবদা শিন্থাক শিন্দম্বীবা অমাইবা ওইনা মমিংনা **‘কোন্দে নাকথংমাই’** হায়বা কৌদুনা তাইবঙদা থারকখি।

অসুম্না অমাইবী হৌরকৱারী অসি নোংথাংলৈমনা ওইবা অমাইবী অমা অমদি সনামহীনা ওইবা অমাইবী অমা ৱারী অনী অসি থেংনৈ। মসিনা মরম ওইরে হায়রগা উমংলাই হরাওবগী থৌরমদা অমাইবী অসি লাইপাউ পীবী শরিক পায়বী অমা অমদি লাইবৌ শান্নবা জগোয় ঈশৈ তৌবা অমাইবী অমা মখল অনী থোক্লা উবা থেংনৈ। হায়রিবা শরিক পায়বী অমাইবী অসিনা লাই ঈকৌবা, লাইমাং ফমদুনা চীংঙু লাইপাউ পীবা হায়বা মরু ওইবা লাইথৌ অসি পাঙথোকই। শরিক পায়দবা অমাইবী অসিনা নোংমগী থৌরম পরেংদা লাইবৌলা থাবা, হকচাং শাবা, যূম শাবা, পাম য়ান্দুনা, লশিং থাদুনা ফি শাবা, চোং শানবা অসিনচিংবা লাইথৌ অসি পাঙথোকই। অসুম্না অমাইবী হায়বা মীয়াম্না ইমা অমাইবী হায়না খঙনবা অসি মথক্কী অসুম্না হৌরকই হায়বসি খরখক অসি চুম্বা লানবা থিবগী খোঙচৎতা লাম্থোকচরি। ●

---

## ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯌꯣꯡꯖꯔꯤ / ইংখোল য়োঞ্জরি

St. Joseph High School গী অৱাং থংবা কম্যুনিটি হোলগী মায়োক্নবদা লৈবা মেন রোদকা তাইননা লৈবা ইংখোল Patta No. 275 Dag No. 536 অসি অথুবগী য়োঞ্জরি। পাক চাউবা 25x46 স্কৱার ফীটনি। মফম অসি গোদাউন অমদি বোর্দিং তৌবদা খূদোংচারবা মফমনি। পাম্বীবশিংনা মখাগী এদ্রেস অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি। পাম্বীবা মীওইখক্তমক লাকপীয়ু, ব্রোকর য়াওবীগনু।

Sd/- **Meisnam Ningol Tombisana Devi**
Sagolband Tera Lukram Leirak
Near St. Joseph High School

HL-P/7936/28

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE FOR OBJECTION**

Imphal, the 26th October, 2020

**No. Prop/SR/IW/2019:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **" Khorirolgee Ayiba Ayibisingee Paosanapham"** on 14/10/2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Greater Imphal**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/7942/28

## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / নোটিস**

তাং 26/10/2020 ইং

No.IMC/96/Ro/N-T/Adv./2016-17/NewsApproval - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No Session Court/Shed No 2 Licence No. 271 Seat No. 72 শ্রীমতি Laishram Tombi Devi W/o (L) L. Leiren Singh of Khuraijam Leirak গী মীংদা পানবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা শ্রীমতি Laishram Ranibala Devi W/o Laishram Rajen Singh of Tera Khuraijam Leirak Licence গী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ১০ (তরা)নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Licence গী মীং ওনখ্রগনি।

*Sd/-* **এসিষ্টেন্ট ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার**
ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন

HL-P/7927/28

## Office of the Chief Executive Officer
## The Bishnupur Urban Thrift & Credit Co-operative Society Ltd.

Erstwhile
The Bishnupur Urban Co-operative Bank Ltd.
Bishnupur Keithel, Manipur

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**

Date 21st October 2020

**No.02/BUTCCS/GB-Meeting 2020:** It is hereby informed to all the members of The Bishnupur Urban Thrift & Credit Co-operative Society Ltd. that a general body meeting of the society will be held on the 11th November, 2020 at the office premises of the society at 1 pm sharp. In the meeting the following agenda shall be discussed:


Agenda: 1. To elect a new Board of Directors for the term 2020-2025.
2. Approval of Books of Account for years, 2018-19 and 2019-2020.

So, all the members are informed to attend the meeting and submit the candidate Application form on or before 6th November,2020 by 2 pm. Detail of election procedures and the list of eligible members can had from the office during office hour.

Sd/- **M. Korouhanba Luwang**
Chief Executive Officer

HL-P/7943/28

## ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম :



পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু কোনবীরম্বী খাইদেম ওংবী চোলামানি দেবী-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ পূম্নমকপু থাদোকপীরম্লগা হৌখিবা তাং ২১/১০/২০২০ ইং, মেরাগী ৫নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শ্রীহরিগী কৃপাদগী বিন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। হৌখিবা তাং ২৫/১০/২০২০ ইং, মেরাগী ৯নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা অষ্টি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২/১১/২০২০ ইং, মেরাগী ১৭নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা শ্রাদ্ধ ডিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বসতু খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় মহাপ্রভুগী হরি চরন্দা কচ্চগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মন বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং, ইচে-ইচল, খ্বাই পূম্নমক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা শ্রী হরি নাম শ্রবন য়াওবীরনবা পত্রনা নিমন্ত্রন কচ্চরি। পত্রনা নিমন্ত্রন কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং
অয়ুক পুং ৮:০০ থৌরম হৌবা
অয়ুক পুং ১০:০০ থৌরম লোইশিনবা

*বিনিতগণ :*

| | |
|---|---|
| ১। খাইদেম ওংবী মোমোন দেবী | মমৌনুপী |
| ২। খাইদেম য়াইমা সিংহ | মচানুপা |
| ৩। খাইদেম ওংবী পুর্ণিমা দেবী | মমৌনুপী |
| ৪। খাইদেম সোভা সিংহ | মচানুপা |
| ৫। খাইদেম ওংবী সনাহনবী দেবী | মমৌনুপী |
| ৬। খাইদেম নিঙোল মেমে দেবী | মচানুপী |
| ৭। খাইদেম দোলেন সিংহ | মচানুপা |

সুগনু তুরেল ৱাংমা থোংখা

HL-B/6483/28

## ꯄꯥꯎꯆꯦꯒꯤ/ পাউচেগী থোঙদা ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি

ঐহাক পাইলসকী অনাবনা খোঙ হাম্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা অমদি শোকপদা নাবা, অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হান্বদা য়াম্না শাবা, পূক খোংবা, খ্বাঙ নাবা অমসুং থবাক ফুনবা অসিনচিংবা অনাবশিং অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ওজা **Abdul Hak, Contact No. : 8794429681, 8014623756** কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপূং ফানা ফজরে, হকচাং নুংঙাইজরে। মরম অদুনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

**ওজাগী লায়েংফমদি :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

*থাগৎচরিবা :* **Y. Chandramani Singh**
Singjamei Wangma Kshetri

HL-B/6457/28

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST : LAMSANG

**Ref :- Mutation case no. 337/SDC/IW-L/2020**

Oinam Shantibala Devi W/o (L) Oinam Ulentomba Singh of Lamdeng Khunou. - Petitioner

-Vrs-

Late Oinam Olentomba (Inao) Singh S/o (L) Gouramani Singh of Lamdeng Khunou. - O.P.Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

The 26-10-2020

U/S 46 (3) MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার ওইনাম ওলেনতোম্বা (ইনাও) সিংহ, পীং মৃ: গৌরমনি সিংহ, সাং লমদেং খুনৌগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ১০৫-লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৬৬২/৭৮৭, দাগ নং ১৪৩৯/১৫৪১ অমসুং এরিয়ানা ০.০৩২২০ চাওবা ইস্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা ইস্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Lamsang

HL-P/7938/28

**ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/লায়েংজরি** **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*

*(অঙৌবা পকপা)*
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

*(তাং-তাং চিকপা)*
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খূৎ শিথবা, মশল পাবা, খূৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

*(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)*
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

*(নুংশং)*
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

*(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)*
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

*নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু*

*(নুপাগী প্রোব্লেম)*
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

*(নুপীগী প্রোব্লেম)*
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

*(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)*
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

*(শমগী প্রোব্লেম)*
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6430/04/10-02/11

ꯍꯥꯡꯂꯦ ADMISSION OPEN ꯍꯧꯔꯦ
**ENGLISH & RHYMES COURSES**
*For*
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
*At*
**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6436/8/10-5/11 (alt)

**MBBS AT ABROAD**
Since:2003 *Admission Open 2020* ISO 9001:2015-QCS-2020-JREC-12453
Bangladesh, Kazakhstan, Kyrgystan, Russia, Phillipines, Ukraine
Free counselling for higher education ABROAD
*MCI & NEXT Coaching Centre at IMPHAL*
*“ Free Clinical Practices at JR Clinic Health Centre during Vacation”*
INDIA/ MALAYASIA
*NB: For Admission in China the NMC & Ministry of Education China has not published the list of Medical University for the session 2020/21.*
MBBS, BDS, Nursing, B.Tech, B.Pharm, Management
*JR Clinic Health Centre*
Minuthong Hatta Telipati Road River Bank
Imphal, Manipur
*JR International Education Consultant (A.S.Education Trust)*
Khergao Thambalkhong Near Cambridge School
Imphal, Manipur
#+91 8974084294/ 8787659341/8399087121 0385-3560172

HL-P/7788/21/10-19/11

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।